# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 17-12-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১৭-১২-২০২৪, লৈবাকপোকপা)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মনিপুর পুলিসনা কে.সী.পী (পী.দব্লিয়ু.জি)গী মীওই ১০ খূৎলাইগা কোন্না ফারে, উখ্রুলদা থারম্বা পোপী মাং তাকহনখ্রে।

২) অৱাং নোংপোক ভারত্তা শেল থাদদুনা হেন্না চাউখৎহন্নবা দোনর মন্ত্রি জোতির অদিত্যা সিন্দিয়ানা ইনভেষ্টরশিংগী পুকিং চিংশিল্লক্লি।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি রাজস্থানদা লুপা কোতি লিশিং ৪৬,৩০০ লোমগী চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং, খরগীনা যাত্রা হুনগনি, খরগীনা শঙ্গাগনি।

**পুলিস (এল) ঃ** হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা ককচিং জিলাগী কৈরক্তা নন-লোকেল অনি শকখঙদবশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্বা থৌদোক্কী মখা তারকপদা পুলিসনা মফম কয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চখুখি। ঙরাং থিবা হুম্বগী থবক্তা মণিপুর পুলিসনা কে.সী.পী (পী.দব্লিয়ু.জি)গী মীওই অমা ফাখি। মহাকা হায়দোরকপদগী ককচিং মমাঙ চীং লাইফম লোকনুংগী মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা কে.সী.পী (পী.দব্লিয়ু.জি)গী মীওই ৭ ফাগৎপা ঙমখি।

মণিপুর পুলিসনা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা হায়-মখোয়দগী মেগজিন য়াওবা ৭.৬৫ পিষ্টোল অমা, মেগজিন য়াওবা কন্ত্রিমেদ নাইন.এম.এম পিষ্টোল অমা, মেগজিন য়াওবা পোইন্ট ৩২ পিষ্টোল অমা, মেগজিন য়াওবা কন্ত্রিমেদ ৭.৬২ স্নাইপর রাইফল অমা, দিবল বেরেল নোংমৈ অনি, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অনি, গ্রেনেদ অহুম, নোংমৈ মরু, ৱায়রলেস সেট, মোবাইল অমসুং চাকা অনি পানবা গারি অমা ফংলে হায়রি।

মনিপুর পুলিসনা চখিবা অতোপ্পা ওপরেসন অমদা ককচিং চীং ককফম এরিয়াদগী কে.সী.পী (পী.দব্লিয়ু.জি)গী মীওই অনি অমগশু ঙরাং ফাগৎখি। মখোয়দগী মোবাইল অহুম অমসুং চাকা মরি পানবা গারি অমা ফংলে।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিস, ফোরেস দিপার্টমেন্ট অমসুং অসাম রাইফলসনা উখ্রুল জিলাগী লুংচোং মাইফৈ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ফালি, তোরা অমসুং চম্ফুং খুলদা থারম্বা পোপী পাম্বীশিং মাং তাকহনখ্রে। পোপীশিং অদু লম একর ৭০ রোমদা থারম্বনি। মফম অদুদা শরম্বা খাঙপোকশঙ ১৩ সু মৈ থাদোক্তুনা মাংহনখ্রে। থৌদোক অসিগা মরি লৈননা এফ.আই.আর অমা লৌখৎলে। মরক অসিদা, নেসনেল হায়ৱে-৩৭ অমসং নেসনেল হায়ৱে-২ দা অকনবা চেকশিল থৌরাংগা লোয়ননা তঙাইফদনা চংবা পোৎ পুবা ত্রক ২৪৩ অমসুং ২৬৪ পুশিল্লকখ্রে। পুলিসনা মফম কয়াদা চেকপোইন্ট হাংদোক্তুনা অচৎ অওকশিং চেক তৌবগী থবক চখুরি।

**এআর (এল) ঃ** অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা বিজয় দিবসকী ৫৩ শুবা কুমওন থৌরম ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং তেংনৌপল জিলাদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগা মরি লৈননা লেকচর প্রোগ্রাম অমশু পাঙথোকখি।

অমরোমদা, ভারত লাম্মীনসু বিজয় দিবসকী থৌরম বিষ্ণুপুর অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাদা পাঙথোকখি। বিষ্ণুপুর জিলাগী তেরাখোঙদা লৈবা বিরসেভা ফাউন্দেসন স্কুলদা লাই য়েকপা চাংদমবগী থৌরম অমশু পাঙথোকখি।

চুরাচান্দপুরগী মাওলফাই তম্পাক্তা নুমিৎ অসিগা মরি লৈননা উ-চারা কয়া মরুম লোম থাখি।

**কংগ্রেস(এল) ঃ** নুমিৎ হুমি চথুরকপা মণিপুর সাইন্স কংগ্রেস ঙরাং মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ জ্‌লোজিদা লোইশিনখ্রে। মনিপুর সাইন্স এন্দ টেকোলোজি কাউন্সিল অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ জ্‌লোজি, মণিপুর য়ুনিভর্সিতিনা পুন্না শিনবা সাইন্স কংগ্রেস অদুদা মীওই ৩৫০ হেনবনা শরুক য়াখি। লোইশিনবগী থৌরম মনিপুর য়ুনিভর্সিতিগী কোর্ট হোলদা পাঙথোকখি। সাইন্স কংগ্রেস অনি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি বিগ্যানগী তোঙান তোঙানবা লমশিংদা খন্ন-নৈনবগী খুদোংচাবা পীননবনি।

**লন্বী (এল)ঃ** ইম্ফাল ৰেষ্টকী ময়াই লন্বী পরিং শেন্বীদবদগী ময়াই লন্বী অপুনবা লূপনা লন্বী থিংবগী খোঙজং মখা তানা চথুরি। লূপ অসিগী থৌমীশিংনা থোংখোং লক্সমি বজারদা মৈ থাদুনা লন্বী থিংজিনখি। খোঙজং চংশিল্লিবশিংদা সরকারগী মাইকৈদগী লন্বী শেমজিল্লগনি হায়বগী থাজবা পীরক্তবা মরমা খোঙজং মখা তানা চথুখিগনি হায়না লূপ অসিগী সেক্রেটরিনা ফোঙদোরক্লি।

**মৈঃ** এম.এস.পী.দি.সী.এলনা ঙরাং তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা রেদ চথুবদা আই.ঈ.দিগী দিভিজন ফোরনা কোনবা মফমশিংদা মৈ হুরাল্লগা থাল্লম্বা মীওই অহুম অমসুং বিষ্ণুপুর দিভিজনদগী পুন্না মীওই ৫ ফারে। এম.এস.পী.দি.সী.এলগী এগজিক্যুতিভ দাইরেক্তরনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-মৈগী খাজনা থিরমদবা মীওই অনিগী মৈসু ককথৎলে, মখা তানা খোঙজং চংশিনখিগনি।

**এন.ঈঃ** কেন্দ্রগী কম্মুনিকেসন অমসুং দোনর মন্ত্রি জোতির অদিত্যা সিন্দিয়ানা হায়রি-কেন্দ্র সরকারনা অৰাং নোংপোক লমদমগী রাজ্য ৭ অমসুং সিক্কীমগা লোয়ননা থবক কয়া মরুম পাঙথোক্লি। মুম্বাইদা নোর্থ ইষ্ট ইনভেষ্টরস সম্মিট রোদ সোগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী সিন্দিয়না হায়-ভারতপু ইং ২০৪৭ ফাওবদা মপুং ফাবা চাউখৎপা লৈবাক অমা ওইনবা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মংলান অসিদা মীপুম খুদিংমকসু মংলান অসিবু মংফাওনবা হোৎনবদা মখোয়গী দাইত্যা য়ামা চাওই। মীফম অদুদা য়াওরিবা ইনভেষ্টরশিংনা অৰাং নোংপোক ভারত্তা শেল থাদবীনবা পুকিং চিংশিল্লদুনা মন্ত্রিনা হায়-ইনভেষ্টরশিংগী হৈথোই শিংথোইবনা মালেসিয়া, সিঙ্গাপুর, জপান, কম্বোদিয়ানচিংবা খা নোংপোক এসিয়া লমদমশিংগী গেটৱে ওইগদৌরিবনি। নহাশিংগী ওইবা হৈথোই শিংথোইবা হেনগৎহন্নিংবা পাম্লবদি ইনভেষ্টরশিংনা অৰাং নোংপোক লমদমদা চৎপগী তঙাইফদবা লৈ। লমদম অসিদা পায়খৎলিবা ইনফ্রাষ্টকচর অমসুং চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়া মরুম পায়খৎলি হায়রদুনা অৰাং নোংপোক অমসুং মুম্বাইগী মরক্তা থোং শাগৎপা পাম্মি হায়না মহাকা ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা মেঘালয়গী মুখ্য মন্ত্রি কোনরাট সংমা, ত্রিপুরাগী মুখ্য মন্ত্রি ডা.মনিক শাহসু ৱা ঙাংখি। অৰাং নোংপোক লমদমদা শেল হেন্না থাদনবা অমদি করবার তৌবগী খুদোংচাবা পীবগীদমক মখোয় অনিনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং দোনর মন্ত্রি জোতির অদিত্যা সিন্দিয়াবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি রাজস্থানদা লূপা কোতি লিশিং ৪৬,৩০০ চংনা পায়খৎপা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট ২৪ শঙ্গাগনি। প্রধান মন্ত্রিনা রাজস্থানদা হৌজিক পাল্লিবা সরকার অসিগী চহী অমা মপুং ফারকপগী থৌরমদসু শরুক য়াগনি। প্রধান মন্ত্রিনা ইনর্জি, লম্বী, রেলৱে অমসুং ঈশিংগা মরি লৈনবা প্রোজেক্ট ২৪, খরগী শঙ্গাগনি, খরগীনা যাত্রা হুনগনি। থৌরম অদুগা মরি লৈননা প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংগনি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়-প্রধান মন্ত্রিনা থৌরম অদুদা দেল্লি-বদোদরা গ্রিন ফিলদ এলাইনমেন্ট প্রোজেক্টকী ১২ শুবা পেকেজ, নবনেরা বেরেজ, স্মার্ট ইলেক্ট্রিসিতি ত্রান্সমিসন নেটৱার্কনচিংবা প্রোজেক্টশিং শঙ্গাগনি। প্রধান মন্ত্রিনা চম্বল তুরেলগী মথক্তা লূপা কোতি লিশিং ৯,৪০০ চংনা পায়খৎকদবা রামগর বেরেজ অমসুং মহলপুর বেরেজ শেমগৎনবা যাত্রা হুনগনি। মসিগী মথক্তা মৈ মেগাৱাট ২০০ পুথোক্কদবা সোলর পার্ক অমসুং মৈ মেগাৱাট ১০০০ পুথোক্কদবা সোলর পার্ককী যাত্রাসু হুনগনি।

**রাষ্ট্রপতিঃ** নুমিৎ ৫ নিগী খোঙচত্তা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু অন্ধ্র প্রদেশ অমসুং তেলঙ্গনাদা ঙসি চৎকনি। মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা রাষ্ট্রপতিনা ঙসি অন্ধ্র প্রদেশকী এইমস মঙ্গলাগিরিগী কনভোকেসন থৌরমদা শরুক য়াগনি। রাষ্ট্রপতিনা সেকন্দরাবাদতা রাষ্ট্রপতি নিলায়মগী তোঙান তোঙানবা থৌরাংশিং পায়খৎনবা যাত্রা হুনগনি। সেকন্দরাবাদতা লৈবা কোলেজ ওফ দিফেন্স মেনেজমেন্টদা রাষ্ট্রপতিনা প্রসিদেন্টস কলর্স খূৎশিন্নগনি। তুংদা, রাষ্ট্রপতি নিলায়মদা পাঙথোকপা থৌরমদা রাষ্ট্রপতিনা রাজ্য অদুগী একাদমিসিয়ন অমসুং অতৈ মীওই কয়াগা উন্নদুনা ৱারি শাগনি।

**--পাউ লোইজরে--**

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

মণিপুরদা ঙসি ফোঙলিবা পাউচেশিংদা ঙরাং পাঙথোকখিবা বিজয় দিবস থৌরমদা চিফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং গভর্ণর লক্ষমন প্রসাদ অচারিয়ানা প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুগা উন্নখিবা অমসুং চুরাচান্দপুর অমদি কাংপোকপীদনা পোপী থাবগী চাং ৱাংনা থেংনরে হায়না লোক সভাদা

থমখিবা ৰাফম তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙনরি।

পোকফম পাউচেদা-সাইভর ক্রাইম অমদি ইন্টল্লিজেন্স য়ুনিট মথৌ তৌদবগা পাঙখক ওইরে হায়না চিফ মিণিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা ৰাফমা অহানবা হেদলাইন ওইরি।

পোলিতিয়নশিং অরানবা তৌবা য়াদে, অমা শোয়খিবদা তুং কোইনা অৰাবা মায়োকহল্লি হায়না চিফ মিণিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা ৰাফম মণিপুর নিউজ পাউচেদা বেনর হেদলাইন পীদুনা ফোঙলি।

সেনাপতিদা ফোঙবা হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা নন-মণিপ্রী অনি হাৎখিবগী থৌদোক্তা চিংনবা মীওই ৭ ফারে হায়না লূচিংবশিংনা থমখিবা ৰাফম মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি। পাউ অসি ইচেল এক্সপ্রেস, সনালৈবাক, সঙাই এক্সপ্রেসকী ইদিসন অনিমক্তা, নহারোলগী থৌদাং, পীপলস ক্রোনিকল, গানফিউ মেল, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, মণিপুর মেল অমদি মোর্নিং বেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনালৈবাক পাউচেদা-চুরাচান্দপুর, উখ্রুল অমসুং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতনা হেন্না পোপী থারল্লে, কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট খক্তদা স্কৱার কিলোমিতর ১৭.৪৯ পোপী থারল্লে হায়না অনিশুবা হেদলাইন পীরি।

ইং ২০২৩-২৪দা উমংদা পোপী থাবনা স্কৱার কিলোমিতর ৪৫ হেন্না শোকহল্লি হায়বা পাউ সঙাই এক্সপেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

জে.দি.য়ুদগী বি.জে.পী ওনখ্রবা এম.এল.এ ৫গী দিস্কৱালিফিকেসন কেসশিংগী ৱায়েল দিসেম্বর ২০ দা চথরগনি হায়না হুইয়েন লানপাউ পাউচেদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পুং ২৪ গী মনুংদা খুল ঙাকপা হাৎপদা চেন্নবা কম্মান্দো দিস্মিস তৌগদবনি, ফাজিন্দুনা থম্বশিং থাদোক্কদবনি হায়না কোকোমিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি ইচেল এক্সপ্রেস অমসুং নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইনদা ফোঙলি।

খৃষ্টমাস কুম্মৈগী মাংওইননা তামেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা জেন্দর দিস্ক্রিমিনেসনগী এৱেয়রনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখিবগী পাউ তামেংলোং তাইমসকী অহানবা হেদলাইন ওইরি।